লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা লম্লাই এ সীদা আর পি আই (অথৱালে)গী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা মোংজম পোইরৈহেনবা মৈতৈগী পোষ্টর কেম্প্যেন হৌদোকখিবগা লোয়ননা বাইক রেল্লি লমথাখিবা

SRI N. MANGI SINGH

কুম্বী এ সীগী মনুং চনবা ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী ২৯/২২, ২৯/২৩, ২৯/২৪ পোল্লিং কম্মিটি ফোর এন মঙ্গিনা শীন্দুনা ৱাঙু অহল্লুপ ময়াই লৈকায়দগী হৌরগা ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী থোং ফাওবা থম্বাল কেম্প্যেন চত্থখিবা

WE SUPPORT RK RAMESHWAR SINGH
Intending Candidate Patsoi A/C

পাৎশোই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তাকয়েল খোংবানগী পোল্লিং ১৯/১২ অমসুং ১৯/১৩দা লৈবা মীওইশিংদা সী এম ঐচ টিগী কার্দ অমদি ঈ-শ্রম কার্দ এ সী অসিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা আর কে রামেশ্বরনা য়েন্থোকখিবা

INDIAN NATIONAL CON
ONE DAY POLITICAL CONFER
JAN JAGRAN ABH
SHRI PRESHYOJIT SANGLA

থোংজু ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা খোংমন জোন টুদা পাঙথোকখিবা জন জগারন আভিয়ান অমসুং নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা প্রেসোজিৎনা ৱা ঙাংবা

পোইরৈহেনবগী পোষ্টর কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা লম্লাই এ সীদা আর পি আই (অথৱালে)গী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা মোংজম পোইরৈহেনবা মৈতৈগী পোষ্টর কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে, বাইক রেল্লি চৎখ্রে।

লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা য়ৌরবুং প্রাইমারী স্কুলদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা মোংজম পোইরৈহেনবা মশানা হৌদোকখিবনি। তুংদা লম্লাই এ সীগী মফম শিনবা থুংনা চৎকদবা বাইক রেল্লি অমসু মহাক্না লমথাখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মোংজম পোইরৈহেনবা মৈতৈনা হায়খি, মতম কয়াগী মমাঙদগী লম্লাই এ সী অসি অতোপ্পা এ সীশিংগা চাংদম্নবদা হীরম খুদিংমক্তা শোত্থদুনা লাক্লি। এ সী অসিগী লম্বী-থোং, অনা-লায়েং য়াওনা হীরম কয়াদা খম থেংনা শোত্থদুনা লৈরে। ঙসিদি এ সী অসিবু হেন্না চাউখৎপা এ সী অমা ওইহন্ননবা নহাশিংগী ঈহৌ লাকপা হৌরে। আর পি আই (অথৱালে)না লম্লাই এ সীদা লৈরিবা নহাশিংগা খুৎশম্নদুনা হেন্না চাউখৎপা লম্লাই এসী অমা ওইহন্ননবা পুন্না খোঙজং চঙশিনমিন্নবা হৌরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা লমশাং এ সীদা মীরেপ ওইগদৌরিবা খোঙহাম্পাৎ ময়াই লৈকায়দগী অরাম্বম করমজিৎকী গো টু পেদ্দি ফিল্ড কেম্প্যেন ঙসি লোইশিনখ্রে।

কেম্প্যেন অসি হৌখিবা ওক্টোবর ২৮দগী হৌদোকখিবনি। থা অমা চুপ্পা চত্থরকখিবা গো টু পেদ্দি ফিল্ড অসিদা লৌমী ৫০০০ রোমসু উনখিবগা লোয়ননা লৌমীশিংনা শীজিন্নবা হেন্দ গ্লোভ লিশিং ৭ লোম য়েন্থোকখি। হৈথা-পোত্থানচিংবসু লৌমীশিংদা য়েন্থোকখি অমদি ইলেক্সনগী কেমেরা মীটিং ৪৫০ রোমসু লৌবুক্তা পাঙথোকখি হায়রি।

হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): হৈরোক এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামগী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিদা হন্দকমায় পাক্ল হৌদোকখিবা লৌবুক মায়কৈ পাঙলসি মিসনগী অনীশুবা তাঙ্কক ঙসিদগী নোংপোক সেকমাই ইংখোল লৌ লৌকোলগী লৌ পরি ১৫ রোমদা এম এল এনা হকথেংননা নিংথম মরূ-মরাং হুন্দুনা হৌদোকখ্রে। লৌবুক মায়কৈ পাঙলসি মিসনগী অনীশুবা তাঙ্কক অসিদা লৌ লোকখ্রবা মতুং হাঙদুনা লৈরিবা হৈরোক এ সীগী লৌফমশিংদা হৱাই, হঙ্গাম, আলু, কোবীনচিংবা নিংথম মনা-মশিং পাক শন্না থাদুনা এ সী অসিগী লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেন্না লৈননবা পান্দম থল্লি হায়রি।

নিংথম মরূ-মরাংশিং হুনবা অদু হৌদোক্লদুনা এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা হায়খি, হৈরোক এ সী অসি লৌউ-শিংউবনা মরুওইবা শিনফম ওইজবা, লৌমীশিংনা নম্না খুন্দাবা এ সী অমনি। লৌমীশিংগী ওইবা ক্লব/ক্লষ্টর কয়াসু লৈ। লৌমী ইচিল-ইনাও ময়াম অসিগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্ননবা পান্দমদা হেন্না পোত্থোক পুথোকহন্ননবা হায়দুনা হন্দক্কী লৌরোক পন্থা মাঙওইননা হৌখিবা জুন থাদা এ সী অসিদা লৌবুক মায়কৈ পাঙলসি মিসন অসি হৌদোকচখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

আর কে রামেশ্বরনা হেল্থ কার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): ঙসি পাৎশোই এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা তাকয়েল খোংবান ১৯/১২ অমদি ১৮/১৩গী মীওইশিংদা এ সী অসিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা আর কে রামেশ্বরনা চত্থরকপা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা সী এম ঐচ টি কার্দ, পি এম হেল্থ কার্দ অমদি ঈ-শ্রমগী কার্দশিং য়েন্থোকখ্রে।

অরানবা লম্বীদগী তাল্লকপা শেল য়েল্লকপদা লৌবীয়ু, ভোটতি মতিক চাবা মীরেপতা থাদসি : টি ঐচ বৃন্দা

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): অরানবা লম্বীদগী তাল্লকপা শেল য়েল্লকপদা মীয়াম্না লৌবীয়ু, তৌবতবু ভোটতি মতিক চাবা মীরেপতা থাদসি হায়না য়াইস্কুল এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট থৌনাওজম বৃন্দানা ফোঙদোকখ্রে।

BRINDA FOR MANIPUR

ৱাফম অসি ঙসি ৱাংখৈগী মৈহৌবম লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা থৌনাওজম বৃন্দাবু মীয়াম্না সপোর্ট তৌবগী পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মতম অমদা চহী তরেৎ খুন্তাকখিবা মতমদা ইপা-ইপুশিংনা অমুক হল্লকপা মতমদদি মণিপুর লৈরমখি। অদুবু করিগুম্বা হন্দক্তা অমুক খুন্তাক লানশিরবদি মণিপুরীশিংনা হন্না য়েংলকপদা ইমা লৈবাক মণিপুর ওইনা লৈরম্লোই। লৈবাক অসিদা লৈরিবা লুচিংবশিংনা মীয়ামগী য়াইফগদবা লো শেম্বগী মহুৎতা মখোয়গী নুংঙাই য়াইফনবা থবক থৌরমশিং তৌদুনা লৈরে। লোয়ননা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী য়ুটিলাইজেসন সর্টিফিকেট ফাওবা পীবা ঙমদবা লৈঙাক হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা ষ্টেটকী ইকনমি নোংম-নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লি। মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি য়াম্না লুবা হায়বদু ওইরে। শেল পায়জদবা মীওইশিংদি লৈঙাক্কী থবক তৌবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। মণিপুরদা অওনবা অমা পুরকসি হায়রবদি লমদম অসিগী নহাশিংনা পুরকপা নত্তনা অতৈনদি পুরকপা ঙম্লরোই। মরম অদুনা নহাশিংনা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা হোৎনমিন্নবা চঙই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা জোন পামৈ, রাজকুমার রোনেন্দ্রজিৎ, রোজ মংসি হাওকিপ অমদি উত্রা শঙলেনগী অঙোম নিংথৌ অঙোম অমুবীনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা সোসল এক্টিভিষ্ট কিরন য়েন্দ্রেম্বমনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

নন-মণিপুরীশিং ভেরিফিকেসন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি : জে সী আই এল পি এস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (জে সী আই এল পি এস)না লৈকায়-লৈকায়গী ক্লবশিংগা খুৎশম্নরগা কা শান্দোক্লিবা য়ুমশিংদগী নন-মণিপুরীশিং কৌথোক্লগা ভেরিফিকেসন তৌবগী থবক লেপ্পা লৈতনা চত্থরি হায়না জে সী আই এল পি এসকী কো-কন্ভিনর ইন-চার্জ পল্লিসিটি ৱারেপ্পম সেকেন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসিসু ৱাহেংবম লৈকায়দা য়ং সোসিও কলচরেল য়ুনিয়ন, ৱাহেংবম লৈকায়গা খুৎশম্নদুনা লৈকায় অসিদা লৈরিবা কা শান্দোকপা য়ুমশিংদগী নন-মণিপুরীশিং কৌথোক্লগা ভেরিফিকেসন তৌবগী থবক চত্থখি। মীওই ১০০ রোম ভেরিফিকেসন চত্থবদা মীওই ৩৭তি পাস পায়দবা অমদি মতম হেল্লবা পাস ঙাক্তা ওইরমখি। লেমহৌরিবা মীওই ৬৩না আই এল পি পাস লৌননবা প্রোসেস তৌখিবগী টোকন পায়বা মীওইশিং ওইরমখি। নুমীৎ মরিনি মঙানি অসিদা টোকন পায়বা মীওই য়াম্না ৱাংখৎলক্লে। মসিনা তাকপদি আই এল পিগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি মতম কুইনদগী লেপ্লুরগা হৌজিক্তদা থবক পায়খৎলকপদা পেন্দিংদা ময়াম অমা পৈদুনা লৈরব্রা হায়বা ৱাফম অসিনি।

ঙরাং উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়দা জে সী আই এল পি এসনা উরিপোকখক্কী ওইনা লাউথোকখিবা ৱাফম অদু অহোংবা খরা লৈরে। মদুদি মণিপুর পুম্বগী ওইনা লম-লম, লৈকায়-লৈকায়দা ভারা শান্দোক্লিবা য়ুম্বশিংনা লাক্কদৌরিবা দিসেম্বর ৫ ফাওবগী মনুংদা মশা-মশাগী য়ুমদা কা শান্দোক্তুনা থল্লিবা নন-মণিপুরীশিং আই এল পিগা মরী লৈনবা চে-চাংশিং অমদি প্রোসেস তৌখিবা চেরোলশিংগী জেরোক্স কোপী অমদি শক্তাকচে ওইবা আধারনচিংবা জে সী আই এল পি এসকী ওফিসতা য়ুম্বু-য়ুম্বুশিংনা পীখৎপীগদবনি। দিসেম্বর ৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্তবা য়ুম্বুশিংদি জে সী আই পি এল এসনা থেংনরকপা মীকুপতা কা শান্দোকপগী অথিংবা থমগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘মরু লোয়শঙগী লম লোন্না মমিং ওন্থোক্লন্লে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): মরু লোয়শঙ (পন্দিত লোয়শঙ)গী লম গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দনা হুরান লান্নাদা মিং ওন্থোক্লন্লে হায়না মরু লোয়শঙ (মণিপুর পন্দিত লোয়শঙ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মরু লোয়শঙ (মণিপুর পন্দিত লোয়শঙ)গী সেক্রেটরি এন জি রঞ্জিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মরু লোয়শঙগী হান্না লৈজরম্বা লমগী পাট্টা কুমজা ১৯৬২গী সর্ভে রেকোর্দনা ময়েক শেংনা তাদুনা লৈজরিবা লমগী পাক চাউবা পোইন্ট ৪৮০ অসি মরু লোয়শঙদা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লমদনা অমদি লোয়শঙগী অয়াবা য়াওদনা হৌখিবা ওক্টোবর ২৭তা শ্রী শ্রী গোবিন্দজি সেবায়ট শ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দ পেলেস কম্পাউন্দ ইংখোল হায়না হুরান লান্নাদা শেমদোক্লন্লে। গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী মীওই খরনা মরু লোয়শঙগী থবক থৌরমশিং অমদি হীরম খুদিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন লৈবাক ৱাথোক ওইননবা খোই মহুম চৈনা থিনবগুম থোক্লি। মরম অদুনা হান্না লৈজরিবা লম অসি কনানা করি মরমগীদমক মরু লোয়শঙগী অয়াবা পাট্টা ওন্থোকপীরিবনো হায়বা থিদোকপীদুনা লৈবাক মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি। মসিগী মতাংদা পন্দিত লোয়শঙনা লিগেলগী মতেং লৌদুনা এক্সন লৌখৎলগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মৈতৈ ঐখোয়গী চহী অমগী শোয়ফদ্রবা ক্লাক তানবা, কোংবা লৈথোং ফাৎপনচিংবগী থৌরম, উমংলাই লাইথৌশিংনচিংবগী থবকশিং তৌদুনা লৈবাক অসিগী য়াইফননবা হোৎনরিবা লোয়শঙ অসিগী লমগী পাট্টাবু লোন্না মিং ওন্থোকপা হায়বসি মরু লোয়শঙ মুত্থৎননবা হোৎনবনি অমদি মৈতৈ খুন্নাইবু মুত্থৎননবা হোৎনবা, মৈতৈ লাইনিংবু শীংনবনি। লমদম অসিগী মৈতৈ লাইনিং অমদি লাইফমশিংবু মাঙহন্ননবা হোৎনরিবশিং অসিগী মথক্তা জি টি বিগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুরিবা চীফ মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু। ২১শুবা চহীচা অসিদা লাইনিং অমনা লাইনিং অমবু হন্থনা য়েংবগী মচৎ অসি য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা থৌওংনি। চীফ মিনিষ্টরনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা ৱাথোক অসি অথুবদা লোইশিন্ননবা শীনবীয়ু। অসুম্না তুমীন্না লৈশিল্লবদি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী হৌরকপা য়াই।

মণিপুর পন্দিত লোয়শঙ হায়না লৈরিবা মমিং অসি ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা পুৱারীদা লৈরম্লবা মশাগী অশেংবা মিংথোল মরু লোয়শঙ হায়না হান্নগী মমিংদা হঞ্জিনজরে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোলেজ ওজাশিংগী ৭শুবা য়ু জি সী পেগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী কম্মিটমেন্টপু থাজবা থল্লি : অমক্টা

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): কোলেজ ওজাশিংগী ৭শুবা য়ু জি সী পেগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী কম্মিটমেন্টপু থাজবা থল্লি হায়না ওল মণিপুর কোলেজ টিচর্স এসোসিএসন (অমক্টা)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমক্টাগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এম ইমোচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি অমক্টাগী সেক্রেটরিয়েটকী মীফম অমা ওরিয়েন্টেল কোলেজদা ফমদুনা ঙরাং এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা অমক্টাদা পীরকপা এস্যুরেন্সপু খন্নখ্রে। ৭শুবা য়ু জি সী পেগী পে স্লিপ ইস্যু তৌনবগীদমক একাউন্টেন্ট জেনরেল (এ জি) মণিপুরনা লৈঙাক্তা ক্লারি তৌরকপবু ক্লারিফিকেসন লেট্টর/ওর্দরস অথুবদা পীথোকপীনবা অমক্টানা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর উনরগা ৱারী শাদুনা অমুক হন্না তকশিনখ্রে। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হায়রকপগী মতুংইন্না লাক্লিবা দিসেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা ইস্যু অসি লোইশিল্লগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। মিনিষ্টরনা ওজাশিংগী মেট্টর অথুবদা লোইশিল্লগনি অদুগা ওজাশিংনসু কোলেজশিংদা একাদেমীক এটমোস্ফিয়র ফন্না থমদুনা মহৈরোয়শিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা মশাগী মথৌ পাঙথোক্কদবনি, অননেসসরিলি ইস্যু শাগৎতনবা আপীল তৌরকখি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা জুলাই ৩দা ৭শুবা য়ু জি সী রিভিজন ওর্দর থোকপা নুমীৎতা অমক্টানা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা ওর্দর অসিদা করিগুম্বা এনোমেলি লৈরম্লবসু রেক্টিফিকেসন তৌনবগী হায়জখিবা অদুগী পরিংদা মিনিষ্টরনা য়াবীদুনা অথুবদা লোইশিল্লগনি হায়রে। অমক্টানসু লৈঙাক্তা লাক্লিবা দিসেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা এ জিগী ক্লারিফিকেসন পীথোক্তুনা খৃষ্টমাস কুম্মৈগী মমাঙদা পে স্লিপ ফংহন্ননবা তকশিনখিবনি।

হৌখিবা চহী ২ রোমসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী ৱেভনা মথং-মথং ওইরক্লিবা গ্লোভেল ক্রাইসিস অসিনা মহৈরোয়শিং মপুং ফানা লাইরিক তম্বা ফংদনা অমম্বা ঈপাক অমদা তাওবগুম লৈরক্লবনি। ষ্টেট অসিগী সোসিও ইকনমিক্কী ফীভম, টেক্নোলোজিকেল বেকৱার্দ ওইবা কয়াসিনা ওনলাইন ক্লাস তৌবখক্তনা মপুং ফাবা এদ্যুকেসন হায়বদু ফংদনা লাকখ্রবনি। অদুবু কোভিদ পেন্দমিক্কী পোজিটিভ রেটনা খরা খরা শাফরকপগা লোয়ননা য়াম্না চেকশিন্না ওফলাইন অমদি ওনলাইনদা স্কুল, কোলেজশিং ওপন তৌরক্তুনা মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বা হৌরক্লবা মতমসিদা ওজাশিংনা ৭শুবা পেগী ইস্যুগীদমক মহৈরোয়শিংদা দিষ্টর্ব তৌদনবা ৱারেপ লৌখ্রে। মরম অসিনা মহৈরোয়শিংগী একাদেমীক এটমোস্ফিয়রসু কায়হন্দনা এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুটশিংদসু ঈং-তপ্পা লৈহন্দুনা একাদেমীক এটমোস্ফিয়র মপুং ফানা থম্বা চঙই। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু কোলেজ ওজাশিংনা মতম কুইনদগী অৱাবা কয়া খাংদুনা ঙাইরক্লবা ৭শুবা পেগী ইস্যুবু সেট্টল তৌনবগী ওজাশিংদা পীখিবা কম্মিটমেন্টপু থবক্তা ওন্থোকপীদুনা লাক্লিবা খৃষ্টমাস কুম্মৈ মমাঙদা কোলেজ ওজাশিংদা ৭শুবা য়ু জি সী পে ফংহনবীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমক্টানা থম্মী হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পোলিটিক্স তৌবা হৈত্রিবা মীওইদা ভোট পীরুরবদি কুম্বী এ সী মাঙলগনি : মঙ্গি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): কুম্বী এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা পোলিটিক্স তৌবা হৈত্রিবা অনৌবা মীওইদা মীয়াম্না ভোট পীরুরবদি এ সী অসি মাঙলগনি হায়না লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা হান্নগী মিনিষ্টর এন মঙ্গিনা ঙসি কুম্বী এ সীগী ৱাঙু জি পিগী মনুং চন্না লৈবা মফমদা পাঙথোকখিবা থম্বাল কেম্প্যেনগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাঙু জি পি ২৯/২২, ২৯/২৩, ২৯/২৪ পোল্লিং কম্মিটি ফোর এন মঙ্গি ইলেক্সন মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থম্বাল কেম্প্যেনগী থৌরম অদু ৱাঙু অহল্লুপ ময়াই লৈকায়দগী হৌরগা ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী থোং ফাওবা চৎখিবগা লোয়ননা কেম্প্যেন অদুগা মরী লৈননা হান্নগী মিনিষ্টর এন মঙ্গিনা হায়খি, মহাক নৎত্রবসু এ সী অসিদগী পোলিটিক্স তৌবা হৈবা, মীয়ামগী খনবা মীওইদা ভোট পীবীয়ু। অসুম্না অফবা মীয়ামগী খনবা মীওইদা ভোট পীরবদি অনৌবা কুম্বী এ সী, অনৌবা ৱাঙু, অনৌবা মণিপুর, লায়রবা কোকপা, নুংঙাইবা লৌমী, লৌবুক্তা ঈশিং ফংহনবা, মীয়ামদা থক্লবা অফবা ঈশিং, হাউজিং ফোর ওল হায়রিবা স্কিম ময়াম অসি ফংহন্ননবা ঙসিগী থম্বাল কেম্প্যেন অসি পাঙথোকপনি।

থম্বাল কেম্প্যেন অদুদা ৱাঙু বোরায়াংবী জিলা পরিষদ মেম্বর এম ব্রোজেন, ৱাঙু তেরাখোং জি পিগী প্রধান পি বালেশ্বর অমদি পোল্লিং কম্মিটিগী থৌপুবা কয়ানা শরুক য়াখি।

‘সাইতু এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন সেকমাই এ সীগী মনুংদা ওইহনবা য়ারোই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): সাইতু এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন সেকমাই এ সীগী মনুংদা ওইহনবা য়ারোই হায়না সোসল দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (এস দি এ), কাংচুপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এস দি এগী সেক্রেটরি অঙোম দিনজেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কাংচুপ খুল দাগ নম্বর ৫৭ অমদি কাংচুপ খারং দাগ নম্বর ৫৯ অসি দি মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ রিফোর্মেসন এক্ট ১৯৬০গী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেভেন্থ লেন্দনি অমদি সেকমাই এ সী অমসুং ফয়েং গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী জুরিসদিক্সনগী মনুংদা লৈবা ভিলেজনি। মরম অদুনা হন্দক লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখল অসিদা সেকমাই এ সীগী মনুংদা লৈরিবা ভিলেজ অনী হায়বদি কাংচুপ খুল অমদি কাংচুপ খারংগী এরিয়াসিদা হীরম অমদা নৎত্রগা অমদা সাইতু এ সীগী থবক থৌরম পাঙথোকপা য়ারোই হায়না এস দি এ কাংচুপনা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহঞ্জরি। হৌখিবা কুমজা ২০২০গী নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা বাই-ইলেক্সনদা কাংচুপ খুলদা সাইতু এ সীগী ৫১/৩৫ পোল্লিং ষ্টেসন অমা কাংচুপ খুলগী মনুংদা পুশিল্লক্তুনা নম্ফুদ্দা ভোট থাদহনখিবা থৌদোক লৈখ্রে। মদু তশেংনা লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা চয়েৎননিংঙাই ওইবা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা অমদি পামদবা থৌদোক থোরক্তনবা লৈঙাক অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীননবা এস দি এ কাংচুপনা আপীল তৌজরি হায়রি।

তেকচাক পুগদবনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): লম্লাই এ সীগী মনুং চনবা চলৌদা ইংখোল লৈদুনা য়ুম শাদুনা লৈবা থোকচোম চন্দ্রসেখরনা মাগী লোয়নবী থোকচোম ওংবী রঞ্জিতাবু চলৌদা লৈবা ৱাহেংবম জিতেনগী লোয়নবীনি হায়না নৌনা ভোটর লিষ্টতা পানশিল্লে হায়বগী মতাংদা অমদি চন্দ্রসেখর অমসুং রঞ্জিতা অনীগী মরক্তা খৎনবগী ৱাথোক্তা চলৌগী মৈরা পায়বীনা খাম্বা চঙবদা চন্দ্রসেখরগী য়ুমগী থোঙ হান্না ছো লোন্দুনা লৈরম্বা অদু মৈরা পায়বীনা নুপা-নুপী অনীমক্কী য়েংলগা হান্না লোল্লিবা ছোগী মথক্তা ছো মচা অমা লোনশিল্লুবগীদমক কেস থাঙ্গৎলকপা অসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি। করিগুম্বা কেস হন্দোক্ত্রবদি তুংদা থোল্লকপা অফ-ফক্তগী তেকচাক খুদিংমক রঞ্জিতা মশানা পুগদবনি হায়না চলৌ মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট এ রাশিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সী পি আইনা কেম্প্যেন চত্থখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)না বি জে পি লৈঙাক্কী মায়োক্তা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা পাক শন্না চত্থরকপা নেসন ৱাইদ মাস কেম্প্যেন এগেনষ্ট কম্যুনেল পোলিটিক্সকী থৌরম ঙসি সী পি আই ককচিং লোকেল কাউন্সীলগী ওফিসতা পাঙথোক্তুনা কেম্প্যেন চত্থখ্রে।

সী পি আই থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী মিনিষ্টর টি ঐচ তোম্বা, সী পি আই ককচিং লোকেল কাউন্সীলগী হান্নগী সেক্রেটরি এম ইবোয়াইমা, সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, সী পি আই থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি ঈ শরত, সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নর অমসুং ককচিং এ সীদা সী পি আইগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা য়েংখোম রোমানা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ফার্ম লো অহুম পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবগী মায়োক্তা লৌমী কয়ানা চঙশিল্লকখিবা ঈহৌ অদুগী চহী অমা ফারকপগী নুমীৎ, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী মপানি হায়বা ডা. বি আর অম্বেদকরগী নবেম্বর ২৬তগী নুমীৎ ১১নি চুপ্পা চত্থগদবা ঈহৌ খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিংদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ইন্দিয়াদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিনা দিমোক্রেসি ঙাকপা ঙমদ্রে। সেক্যুলর পোলিসী নীংথিনা ঙাকপা ঙমদ্রে। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন নীংথিনা ঙাকপা ঙমদ্রে। ক্রোনি কেপিটেলিজমগী থৌশিল মখাদা লৈবাক অসিদা প্রাইভেটতা পুম্নমক অমদি অচৌ-অচৌবা মোনোপোলিশিংদা শীন্নবগী থৌওং মথং মথং লেপ্তুনা চঙশিল্লকপগী মনুংদা নেসনল মোনিটাইজেসন পাইপ লাইন হায়বা অমসু হন্দক্তা মরুওইনা প্রাইভেটতা লৈরিবা চাউর-চাউরবা শেঞ্জাও পায়বশিংদা ইন্দিয়াগী প্রাইভেট সেক্তরদা লৈরিবা ময়াম অসি শীন্নরকপগী ৱাফম অসি য়াম্না য়াঙনা চঙশিল্লক্কদৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নাইদিয়া অমদি দীপি চনুদা এৱার্দ লান্থোকপা য়াওনা মনাশিং লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা লান্থোক্তুনা লাকপা মনাশিং চহী অসিগী ওইনা ঙসি লান্থোকখ্রে।

লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংনা শীন্দুনা সেন্টর অসিগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা চহী ২৩ রকশুবা ওইনা মনাশিং লান্থোকপগী থৌরম অদুদা নোংমাইথেম রাজমুহোন, ভাইস চান্সেল্লর, দি এম য়ুনিভর্সিটিনা অথোইবা মীথুং; য়াম্বেম সত্যা, ত্রেজরর, লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন ককচিংনা থৌরম মপু; ডা. টি ঐচ ওজিৎ, প্রসিদেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ ওফ লোইস (আর ও এল) ককচিং অমসুং কে এস ঐচ চাওবা, প্রসিদেন্ট ষ্টুদেন্টস লাইব্রেরি এসোসিএসন (এস এল এ) ককচিং অনীনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি লান্থোকখিবা মনাশিংগী মনুংদা য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী)না লৌবা সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেসন ২০২০দা ওল ইন্দিয়া রেঙ্ক ১৮০ তারক্তুনা ইন্দিয়া এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিস (আই এ এস) ফংখ্রবী ৱাইখোম নাইদিয়া অমসুং ওল ইন্দিয়া রেঙ্ক ৬১২ তারক্তুনা ইন্দিয়ন পুলিস সর্ভিস (আই পি এস) ফংলকখ্রবী ক্ষেত্রিমুম দীপি চনু অনীদা ক্ষেত্রিময়ুম সনাজাওবা-অমুরৈ দেবী এৱার্দ, ক্ষেত্রিময়ুম ইবোহল এৱার্দ, ক্ষেত্রিময়ুম কুলাচন্দ্র-শিজা দেবী এৱার্দ, য়েংখোম য়াইমা এপ্রিসিএসন অমসুং মোইরাংথেম তোয়াইমা মেমোরিএল এৱার্দশিং খুৎশিন্নখি।

য়েংখোম য়াইমা মেদিকেল স্কোলারশিপনা গৌতমচন্দ্র, সচিদানন্দ, রত্না অমদি দয়ানন্দদা য়েংখোম য়াইমা মেদিকেল এৱার্দনা মিনিকেতন, ধনাশ্রী, স্নেহা, প্রিয়াঙ্কা, বিদ্যা, বেবিলাতা অমসুং সনাবাদা খুৎশিন্নখি।

নাওরেম অমুবা টিচর এৱার্দনা নাওরেম বিরমঙ্গোল, থবক্তগী পোত্থারবা প্রিন্সিপাল, দাইটতা, ডা. ক্ষেত্রিময়ুম রতন মেমোরিএল স্পোর্টস এৱার্দনা ইন্দিয়ন টিমগী নুপী ফুটবোল্লর এলাংবম পান্থোইদা, নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল এৱার্দ (আর্ট এন্দ কলচর)দা ময়াংলম্বম গৌরাচন্দ্র অমসুং এম নিত্যাইদা, নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল এৱার্দ (কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি)দা কে এস ঐচ লৈরেঞ্জাও অমসুং এম অচৌবা অনীদা খুৎশিন্নখি।

নোংমাইথেম কোকঙাং বেষ্ট ফার্মর এৱার্দনা কে এস ঐচ গোপালদা, নোংমাইথেম মাইপাক মেমোরিএল এৱার্দস বেষ্ট মাদর এৱার্দনা নাওরেম ওংবী এস ঐচ বিরোহিনিদা, য়েংখোম ইবোচৌ অমসুং তানৌ বেষ্ট মণিপুরী পোনি ফার্মর এৱার্দনা থৌদাম কাওবদা, ক্ষেত্রিময়ুম অবের এন্দ সলাম ইবেতোন এৱার্দ ফোর বেষ্ট রিদরনা ময়াংলম্বম ললিততা অদুগা য়েংখোম মোহেন্দ্রো মেমোরিএল এৱার্দনা মোইরাংথেম হোল্লুরুদতা খুৎশিন্নখি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা বোসেম, কোসেমনা লৌবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা এগজামিনেসনশিং পাঙথোকখিদবনা মরম ওইরগা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচিংনা মতম শাংনা পীদুনা লাকখিবা এৱার্দ কা ১১ অমদি ঙসিগী থৌরম অদুদা লান্থোকখিদ্রে। ঙসিগী থৌরমগী মনুং চন্না সেন্টর অসিনা পুথোকপা ২৩শুবা ইদিসনগী সোভিনিয়র অমসু থৌরমগী অথোইবা মীথুংনা লুচিংদুনা রিলিজ তৌখি।

মীয়াম্না পাল্লিবসি অশেংবা অচুম্বা তৌগদবা মীহুৎনি : রোমেন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): শীংজমৈ এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী পোলিটিকেল কেম্প্যেন কনখৎলক্লি। ঙসিসু এন পি পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা ওইনাম রোমেনগী য়ুমথোঙ-য়ুমথোঙ চঙদুনা শীংজমৈ থোঙাম লৈকায়দা কেম্প্যেন চত্থখ্রে।

কেম্প্যেন অদু হৌদোক্লদুনা এন পি পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা ওইনাম রোমেননা হায়খি, শীংজমৈ এ সীগী মীয়াম্না হৌজিক পাল্লিবসি অচুম্বা অশেংবা তৌগদবা অমদি মীয়ামগা তোৎন-তীন্ননা থবক তৌরক্কদবা মীহুৎনি। মীখল পাঙথোল্লমদাই খক্তদা থোল্লকপা মীহুৎ অদু নত্তে। শীংজমৈ এ সীগী মীয়ামগী ইহুল খঙদনা থবক তৌবা হায়বসি মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি। মীয়াম্বু লান্না লমজিংবা লুচিংবা শাবনা কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই। মীয়াম্না অসিগুম্বা মীওইগী মশক মুন্না খঙই। মীয়ামদা তাৎ তৌবীগনু।

ইলেক্সনগী মিংদা ফ্লেগ পংয়ুং য়ুংবা, পোষ্টর পংথেৎতা থেৎপনা মীয়ামগী থম্মোয় খুদুম চনবা ঙম্লোই। করম্বা মীওইদা ভোট পীগদগে হায়বা য়াম্না মুন্না খঙবা শীংজমৈ এ সীগী মীয়ামনি। ভোট পীগদবা মীরেপ অদু খন্দোকপা লোইখ্রবনি। অমগা অমগা খৎন-চৈনহনবনা ভোট খোম্বা য়ারোই হায়বা মীয়াম্না খঙই। মশা খঙহন্দনা ফ্লেগ থেৎচিনবনা ৱার্কর মশেল খৎনহনবগী মরম অমা ওইরে। ফ্লেগনা ভোট মশীং থিবা য়ারোই। ফ্লেগনা মী খৎনহনবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা চত্থবীগনু।

শীংজমৈ এ সীগী মীয়াম্না অচুম্বা অমদি অশেংবা তৌগদবা মীয়ামগী মীহুৎ খলহৌনবগী চপ চাবা মতম অদু হৌজিক লাক্লে। খুদোংচাবা অসি মাঙহবীগনু। গুন্দাগী মতম লোইখ্রে। হৌজিক্কী মতম অসিদি লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীয়ামগী মতমনি। গুন্দা তৌরগা মীয়াম্বু কিহন-খঙহন্দুনা ভোট কাবা য়ারোই। ভোট কাগে হায়রবদি মীয়ামগী থৌজাল নীবীয়ু, গুন্দা তৌবীগনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কেম্প্যেন অদু ওইনাম রোমেনবু শৌগৎপা য়াল্লবা মীয়াম্না ঙসি অয়ুক অঙনবদগী শীংজমৈ পার্কিংদা লৈবা এন পি পি শীংজমৈ ব্লোক্কী ওফিসতা পুল্লবা মতুং চত্থখিবনি।

অচৌবা থৌদাং লৌগনি : প্রেসোজিৎ

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): থোংজু এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈরিবা নহাশিংনা মশা-মশাগী হিংনবগী লম্বী শেম্বদা অমদি মায় পাকপা পুন্সি মহিং অমা ওইহন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়না লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা শংলাকপম প্রেসোজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

থোংজু ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা খোংমন জোন টুদা পাঙথোকখিবা জন জাগরন আভিয়ান অমসুং নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা শংলাকপম প্রেসোজিৎনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মীখল মমাঙদনা মীয়ামগা তান্নদুনা থবক তৌগনি হায়রম্লগা মীখলদা মায় পাকখ্রবা মতুংদা এম এল এ ওইগেরা, জিলা পরিষদ ওইগেরা মীয়াম্না উবা ফংলক্ত্রে। অৱাবা তারবা, শোত্থরবা মীয়াম্না ইলেক্তৈদ মেম্বর অদু উন্ননবা চৎলুবা মতমদা উনবা ফংলক্তবদগী পেন্নদবা ৱাফম কয়া লৈরি। শোত্থরবা অমদি লায়রবা ইমুং কয়াদগী কন্না হোৎনদুনা মহৈ-মশিন নীংথিনা তম্লবসু শেল লৈত্রবদি লৈঙাক্কী থবক তৌবা ঙমদে। মসিনা ইমুং কয়াগী ফীভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লকপা হেনগৎলক্লিবনি। মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংলগা অমদি মীয়ামগী অৱা-অনাশিং অসি কোকহন্ননবগী পান্দমদা মীরেপ ওইনা থোরকপনি। করিগুম্বা মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি লৈঙাক্কী থবক লৌবদা শেল লৌজরোই। মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈরগা মীয়ামগা উনবা ফংদবা অমদি মীয়ামগা তান্নরগা থবক তৌবা য়াদবা অদুগুম্বা মীরেপশিং অদু এ সী অসিদা লৈহল্লগুমসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি মঙ্গিবাবু, কে ঐচ দেবব্রত, এক্স-মিনিষ্টর এস ব্রজগোপাল শর্ম্মা অমদি কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।